# আই এম সি মীখলগী হিরম ২১ য়াওবা বি জে পিগী ভিজন ষ্টেটমেন্ট ফোঙখ্রে



এস এন এস

ইম্ফাল, মে ৩০ ঃ বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা লাক্কদৌরিবা জুন ২দা পাঙথোক্কদৌরিবা আই এম সিগী মীখল অসিগা মরী লৈননা বি জে পিনা মখোয়গী ওইবা হিরম ২১ য়াওবা ভিজন ষ্টেটমেন্ট অমা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

পুন্না পোইন্ট ২১ য়াওবা ভিজন ষ্টেটমেন্ট অদুদা মপুং ওইনা মীৎয়েং থল্লিবা ৱাফমদি করিগুম্বা বি জে পিনা আই এম সিগী সাসন পায়রবদি আই এম সিদা হেন্না শক্তি শিন্নবা অমসুং মপাঙ্গল কনবা তরং তরংবা কোর্পোরেসন ওইহনবা, মীয়ামদা পব্লিক/প্রাইভেট ট্রান্সপোর্ট মতিক চানা ফংহনবগা লোয়ননা ষ্টেটকী মফম কয়া শম্নগদবা বসশিংগী খান্নফম খন্বা অমদি অশম্বা চৎপা য়াবা লম্বীশিং শেমগৎপা, ইম্ফালবু স্মার্ট সিতি ওইহনবা অমদি ফিদম্নফম ওইবা মোদেল সিতি ওইহনবা য়াওরি।

মসিদা নত্তনা আই এম সিগী মফমগা নক্নবা কৈথেলশিং অনৌবা শক্তম অমগা লোয়ননা শেমগৎপা, থক্নবা ঈশীং মরাং কায়না ফংনবা মফম কয়া শেমগৎপা, পার্ক কয়া মফম মফমশিংদা শেমগৎ, কনা লৈজদ্রবশিংগী লৈফম শেমগৎপা লোয়ননা অহল ওইরবশিংগী লৈফমশিং থম্বা, পি দি এসকী পোৎলমশিং মীয়ামদা ফংহনবদা লোকেল বোদিশিংদা থৌদাং শিন্নবা, মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্কর্স ৱেলফেয়ার স্কিম,২০১১গী মখাদা শীন্নীশিংনা ফংগদবা খুদোংচাবশিং ফংহনবা, মহৈরোইশিংগী স্কোলারশিপ, য়ুম শাবগী শেন্থং, শিরবা মতুংদা ফংগদবা শেন্থং লোয়ননা অনা লায়েংগী চংবা শেনফম কয়া মতম চানা ফংহনবা, নেসনেল হাউসিং পোলিসিগী মখাদা ইং ২০২২ ফাওবগী মনুংদা মীপুম খুদিংমক য়ুম লৈহনবা, সিতি মনুংগী লম্বী শরকশিং মৈ ঙালহনবা, মালেমগী ব্যাজিনেস হব ওইগদৌরিবা ইম্ফালদা চাং নাইনা ত্রেদ ফেয়ার পাঙথোকপনচিংবা কয়াসু য়াওরি।

ভিজন ষ্টেটমেন্ট অদু ফোঙদোক্লদুনা বি জে পিগী ষ্টেট ইলেক্সন মেনেজমেন্ট কম্মিতিগী চেয়ারমেন, টি ঐচ চাউবনা হায়, মণিপুর অসি চাউখৎ থৌরাংগী হিরমদা শোম্বদুনা লাক্লি। মণিপুর অসি অৱাবনা খম থেংলে।

পাল্লিবা গভর্নমেন্ট অসিনা লমদম অসিদা থোক্লিবা প্রোব্লেমশিং অসি ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা চায়রগা লৈরি।

মরাল লৈজদবা মহৈরোইশিংগী ইহৌ ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবগী মহুত্তা নম্ফুদা নমথনবা হোৎনরি।

লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিনা ১৫ দগী মথক্তা হেন্না কাগনি। ইন্দিয়াগী রাজনিতিগী হোংলক্লিবা মায়ওন অসিদা কংগ্রেস মপুং ফানা শিখরক্লে। মসিগী ময়েক লারবা খুদম অসামদা হন্দক্তা কংগ্রেস তোরা তুখিবা অসিনি।

কংগ্রেস পার্টিগী গভর্নমেন্ট অসি সাসন লৈতবগা মান্নরে। মখোয় মশেল মরক্তা মত মান্নদ্রে। জুন ২গী মীখল অসিদা মসিগী ময়েক শেঙনা উরগনি। আই এম সিগী মীখল অসি লাক্কদৌরিবা ইং ২০১৭কী বিধান সভা মীখলগী সেমি ফাইনেলনি। মরম অসিনা লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিনা শোয়দনা মায় পাক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

ঙসিগী ভিজন ষ্টেটমেন্ট ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা হান্নগী মিনিষ্টর এন মঙ্গি অমসুং ষ্টেটমেন্ট অসিগী ড্রাফটিং কম্মিতিগী মেম্বর এ আর খান, রিটয়ার্দ আই এ এসসু শরুক য়াখি।

# মণিপুর থুগাইবা মতিক নত্তে, শুকঙম ঙল্লোই হায়না নাকোইননা সিএমনা বি জে পি চৈথখ্রে

এসএনএস

ইম্ফাল মে ২৯ ঃ মণিপুর থুগাইবদি লাইরদনা য়াম্না ক্রুসিয়েল ওইবা বিল অমত্তা কংগ্রেসকি অয়াবা য়াওদনা পাস তৌবা সুকঙম ঙল্লোই হায়না নাকোইননা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী সিংহনা বি জে পিবু চৈখ্রে।

ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ৱার্দ নম্বর ১৩গী কংগ্রেস মীরেপ নামৈরাকপম রঘুমনি সিংহগী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরমগা মরী লৈননা ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা খন্ন–নৈনবগী থৌমরদা চীফ মিনিষ্টর হায়, লুক ইষ্ট পোলিসিবু এক্ট ইষ্ট পোলিসি লাউথোকখিবা চহী অনী ফারে। স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শানবা লম পীয়ু হায়বদুগী শরুক অনী হেন্না পীরে করিবু তৌরবগে। বি জে পি অসি য়াম্না কন্না হুন্দুনা ঙাংবা পামদে অদুবু অশেংবা পোজিসনদু হায়বনি। ষ্টেট গভর্নমেন্ট মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা লোকেল বোদি মীখল অসিদা অফবা মীহুৎ থাগৎপীয়ু। বি জে পিগুম্বা কম্যুনেল ওইবা পার্টি অসিনা সরকার পায়বগা মণিপুরদা মমিৎ হান্না থম্বদৌনা তৌই। বি জে পিগী সরকার অতল বিহারি বাজপাইনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা মতমদা 'ৱিদআউট তেরিটোরিয়েল লিমিট ' হায়বা ৱাহৈ অহুমনা মণিপুর মৈ চাকখিবনি।

শান্তিগী ৱারী শানরিবা এন এস সি এন ( আই এম)গা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিগা অরোনবা করি ইনরিনো খঙদে। পিছ একোর্ট ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট হায়দনা অমা ইনখ্রে। হোম মিনিষ্টর ফাওবা এগ্রিমেন্ট অদুগী অকুপ্পা ৱারোল খঙদে। মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি (অপুনবা শক্তম) থুগাইবা মতিক নত্তে।

ষ্টেটকি ওইবা ফংফম থোকপা শরুক (সেয়র) কুপ্না লিক্না শিজিন্নদুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক হান্নদগী পায়খৎতুনা লাকই। মখা তানসু পায়খৎখিগনি। মণিপুরদা স্পোর্ট য়ুনিভর্সিটি লিংখৎকনি হায়না লাউথোকপগী মতুং ইন্না স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী খোঙবু অমা লাক্লগা মফম কয়া য়েংলবা মতুংদা মফমসু মখোয়না লেপ্লম্বনি। য়ুনিভর্সিটি শানবা লম একর ২০০ পীয়ু হায়রবসু হৌখিবা চহী ২০১৫গী মে থাদা মিনিষ্ট্রিগী টিম অমগা এম ও য়ু তৌনদুনা একর ৩৬৬গী লম ট্রান্সফর তৌখ্রে। য়ুনিভর্সিটি অসি তশেংনা হাংদোক্কে হায়রগদি নহান্না হৌবা য়ারে। ইন্সটিট্যুট অমা পর্মনেন্ট কেম্পসতা চহী ৪–৫দা শাবসি খ্বাইদগী থুরবনি। সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটি অমা হাংদোক্নবা পার্লিয়ামেন্টতা এক্ট অমা হান্না পাস তৌবা চংই। এক্ট অদুসু হৌজিক ফাওবা পাস তৌদে।

য়ুনিভর্সিটি অসি হৌগে হায়রবদি মণিপুরদা নেস্নেল গেমস পাঙথোক্নবা শাখিবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমদি স্পোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া রিজনেল সেন্টর তাকয়েলপাৎতা তেম্পররি কেম্পস ওইনা হৌবা য়ারে। টেম্পররি কেম্পস ওইনা হৌনবা মচাক মথুম ষ্টেট গভর্নমেন্যনা নিংথিনা শেমজিন শাজিন্দুনা থল্লে।

সিএমনা হায়, সিলচরদগী জিরিবাম ফাওবা পেসেঞ্জর সর্ভিস ট্রেন চেনবা হৌদোক্লে মণিপুরদা ট্রেন চেন্নবা শেমগৎ শাগৎপগী থবক অসি য়ু পি এ গভর্নমেন্টনা পায়–খৎলকখিবনি, ২০১৭তা তুপুল য়ৌশিল্লক্লনি। ইং ২০১৯দা ইম্ফাল য়ৌনবা হোৎনরি। মসিগীদমক মালোমদা রেলৱে সব ষ্টেসন শাবা হৌরে। এক্ট ইষ্ট পোলিসি ওন্থোক্লে হায়রবনিনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর লাকপদা হান্না পায়খৎলম্বা প্রোজেক্ট নত্তবা অনৌবা প্রোজেক্ট অসিমদি তৌগনি হায়বা তাকপীয়ু।

আই এম সি অথুবা মতমদা মপুং ফাবা কোর্পোরেসন অমা ওইনা থবক তৌবা হৌরগনি। ইন্দিয়াগী সিটি ৩০০ হেনবদা নিংথিনা সর্ভে তৌদুনা লু–নানবা সিসি ১৬ খনগৎপদা মণিপুর য়াওরক্লিবসি সেন্টরদা ৱানোম্লগা য়াগদবা নত্তে। কংগ্রেস গভর্নমেন্টনা চহী ১২ অসিদা শেমগৎলক্লিবা অসিগী মহৈনি। ইম্ফাল মনুংগী লম্বী খরা শিৎ শেংলগা স্মার্ট সিটি ওইনবা শেমগৎলি হায়বা য়ারোই। ইন্দিয়াগী তরু তনানবা সিটিশিং লেপথোক্নবা অরবান দিভলপমেন্টগী মীহুৎ কাংবু অমা লাক্লগা মফমসিগী ফিভম য়েং শিল্লবা মতুংদা লেপ্পনি। স্মার্ট সিটি অমা ওইবগী তোঙানবা পেরামিটর লৈ।

অমোৎ অকাই নিংথিনা লোইশিন্নবা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্রোজেক্ট পায়খৎপা, ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী মরি লৈননা শেমগৎ শাগৎলকপা, প্রিপেদ মিটর সিস্তেম হৌদোকপা অমদি অফবা থক্নবা ঈশিং পীনবা থৌরাং পায়খৎপা অসিনচিংবা কয়াসি উবদগী স্মার্ট সিটিগী রেঙ্কিংদা ১৬গী মনুংদা চনবা ঙল্লিবনি।

ইলেক্ট্রিসিটি নিংথিনা পীনবা অমদি অরেম্বদা মৈ মাংহন্দনবা হোৎনবগী প্রি পেদ সিস্তেম অসিদি ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংনা মতৌ তম্ননবা হায়বা লৈরবনি। ইম্ফাল মনুংদা অফবা থক্নবা ঈশিং পীনবা থৌবাল দাম শেমগৎ শাগৎপগী থবক চাদা ৯৫লোইশিল্লক্লে। অথুবা মতমদা শঙ্গারগনি। দাম অসিদগী ঈশিং চীং হুৎতুনা তনেলদা পুরক্কদবনি। ঈশিং মীয়ামদা ফংহন্নবা মপান লমদা তৌনবগুম ওটোনোমস ওইবা বোর্দ অমগী মখাদা থবক তৌগদবনি। বোর্দ অসি আই এম সিগী মখাদা লৈগদবনি।

কৈশাম্পাৎদগী মালোম ফাওবগী লম্বী পাকথোকপগীদমক কমপেনসেসন পীখিবসি লুপা ক্রোর ১৬০নি । শেনফম অসি সেন্টরদগী পীরকপা ঙাইদুনা লৈরবদি য়াররোই হায়দুনা ষ্টেটকি ফন্দগী পীখিবনি। ইম্ফাল এয়রপোর্ট অসি ইন্টরনেস্নেল এয়রপোর্ট ওন্নবা এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াদা পাক চাওরবা লম পীখিবসি রেকোর্দ ওইরিবনি। মণিপুর মতম খরগী মনুংদা মালেমগী অচৌবা কৈথেল অমা ওইরক্কদবা অসি য়েংলগা অশানবা মীৎয়েংগী মখাদা লম অসি পীবনি। মীঙোন্দগী নিরগা মীপান তাংলগা হিংগদবা নত্তে হায়খি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা এম পি সি সিগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপ এম এল এনা হায়, কংগ্রেস গভর্নমেন্ট অসিনা করি তৌরবগে হায়না হাংনবা য়াওদবা নত্তে। কংলাদগী আসাম রাইফল লৌথোকপা, রিমস সেন্তেল ইন্সটিট্যুট ওনখৎপা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটি ওনখৎপা, সেৱেরেজ প্রোজেক্ট প্রাইমারি থাক শেম্বা লোইশিনবা, সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্ট শেম্বা লোইশিনবা, সিটি কনভেন্সন সেন্টর শাবা, এসেমব্লি পরমনেন্ট কমপ্লেক্স, মণিপুর হায় কোর্ট, সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্স, ট্রান্স এসিয়ান হায়ৱে শেমগৎপা, ৱেলৱে কন্নেকটিভিটি লৈনবা শেমগৎপা, ইম্ফাল ইন্টরনেস্নেল এয়রপোর্ট ওনখৎপা, আই এস বি টি শেমগৎপা, ইম্ফাল মন্দলে বস সর্ভিস তৌনবা অয়াবা লৈরকপা অসিনচিংবা কয়া অমা তৌরিবসি কংগ্রেস গভর্নমেন্টননি। চীংগী লমদসু অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা চাওখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপা হৌরবনি হায়খি।

থৌরমদুদা কংগ্রেস এম এল এশিং অমদি এম পি সি সিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

# এমপিপিগী শান্তি খোঙচৎ পুলিসনা থিংবদগী আই এল পিগী চৎনরোল থমগদবনি হায়না তকশিনখ্রে

এসএনএস

ইম্ফাল মে ৩০ ঃ মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিৎ সিষ্টেম (আই এল পি ) চৎনহন্নবা চংশিনবা খোঙজং শৌগৎতুনা মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি) য়ুঠ ফ্রন্দ অমদি চনুরা মরুপনা শিন্দুনা শান্তি–গী খোঙচৎ চৎপদা পুলিসনা থিংবদগী মণিপুরদা আই এল পি চৎনহল্লু হায়না লাওখ্রে ।

মপাল কাংজৈবুং মনিংদা লৈবা এম পি পিগী ওফিসতগী এম পি পিগী প্রসিদেন্ট এন সোভাকিরননা খোঙচৎ অদু লমথাখি। এম পি পিগী ফিরাল পায়দুনা চৎখিবা খোঙচৎ অদু পার্টিগী ওফিসতগী বি টি রোদতা, পাউনা কৈথেল মনুং লম্বীদা লাক্লগা পাউনা ইন্টরনেস্নেল মাকেট হায়জিনফম য়ৌরকপদা পুলিসনা থৎনবা হোৎনখি। মদুদা মুক্নরবা মতুং কৈশাম্পাৎ ট্রাফিক আইলেন্দদগী ৱাহেংবম লৈকাই তারগা লাক্নবা হোৎনবদা পুলিস পর্সন্নেলশিংনা থৎখি। মফমদুদগী ৱাহেংবম লৈকাই লম্বীদা লাকপা য়ানি য়ারোই হায়না মিনিট ১৫ রোম মুক্নরবা মতুংদা শান্তিগী খোঙচৎ চৎখিবশিংদু পাউনা কৈথেল মনুংদা লাক্তুনা পার্টি ওফিসতা লোইশিনখি।

শান্তি ওইবা ৱা ঙাংদনা চৎলম্বা খোঙচৎ অদু পুলিসনা অথিংবা পীবা হৌবদগী খোল্লাও কয়া লাওদুনা চৎখি। খোঙচৎ চৎলিবশিংনা মণিপুরদা আই এল পি চৎনহল্লু, লোং লিব মণিপুর, এসেমব্লিদা পাস তৌখিবা বিল চৎনহল্লু হায়না লাওখি। পুলিসনা অথিংবা পীদুনা থৎতুনা থল্লিঙৈ মতমদা পুলিস পসর্ন্নেলশিংগী মরক্তগী মোবাইল হেন্দসেটদা বিদিও রেকোর্দিং তৌবসু য়াওখি। খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা চেজাই কয়া মীয়ামদা য়েন্থোকখি অমসুং লম্বীদা চেজাই কয়া অমসু চাইথোকখি।

চেজাই অদুদা ঙসি মণিপুর মীয়ামগী থমোইদা য়াম্না কন্না চেল্লিবা ঈচেল হুল্লিবা মীহুল অমখক্তি লমদমসিদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিস্টেম ( আই এল পি এস), চৎনহনবা হায়বা অসি খক্তনি। ঐখোয়গী লুচিংবশিংনসু মীয়ামগী ইহুল অসিবু খঙবিদুনা মণিপুর এসেমব্লি মসিগা লৈনবা বিল অহুম নুংশিরবা 'লময়ানবা' অমগী থৱায়গী মমল ওইনা অমদি মীয়ামগী খোল্লাও কয়া চৈথেং কয়াগী খুদোল তম্বীবা ওইনা পাস তৌবিখ্রে। লাইবক থিবদি পাস তৌখ্রবা বিল অহুম চৎনবা ঙমদনা প্রসিদেন্টকি তেবলদা থৱায় পানদবা অমগুম য়াতাদুনা নিংঙাইদনা লৈরি। মসিমক লমদমসিগী লোমেক্করশিংগী য়াম্না ইজৎ শোকপা ৱাফম অমনি।

আই এল পি এস অসিনা কনগদৌরিবসি মণিপুরগী চীংমী–তম্মী পুম্নমকপুনি হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্না থম্মোয় শেংনা খঙমিন্নবা মতম ওইরে।

বিল অহুম অসিদা ৱাথোক ওইরিবা এম এল আর এন্দ এল আর এক্ট শেমদোকপা হায়বা অসি লান্না ৱাহন্থোক তৌবদগীনি। হৌজিক শেমদোক্কদৌরিবা অসিনা লমদমসিদা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা লম লৈবা য়াহন্দবা হায়বা অদুখক য়াওহন্নবগীদমক্তনি। মসিনা ফুরুপ অমত্তগী ইন্টরেস শোকহ৪নগদবা ৱাফম লৈতে।

আই এল পি এস অসিবু তশেংনা চৎনহন্নবা হোৎনবদা লমদম অসিগী মুপুম খুদিংমক্না কন্না হোৎনফম থোকই। মসিনা লমদম অসিবু থমোই শেংনা নুংশিজবা মীওইশিংগী তৌফম থোকপা অশেংবা খোঙতাং হায়বদো ওইগনি। আই এল পি এস চৎনহনিংবা লমদম অসিবু নুংশিজবা থম্মোয় কয়াদগী হৌরকপা মৈরি অসিনা নোংদোল পকনা ৱাংদ্রিঙৈ, অঙম্বশিংনা মতিক চাবা খোঙথাং লৌখৎহৌবনা লৈবাক মচা তাবা হায়বদু ওইগনি। অদুগা মদু নত্তদনা ঙম্মী হায়দুনা খুৎ হল্লরোইদবা মীয়ামদা অঙম্বা শক্তিঃ শিজিন্নদুনা অশোক–অপন, অশি–অনা থোকহন্ননবা হোৎনরকপা তারগদি মীতম্বাল হায়বদো শোয়দনা ওইরক্কনি অমদি হায়নরক্কনি।

য়েলহৌমীশিংবু মীতোপ ময়ানচাশিংনা য়োৎশিল্লক্লবা পুংফমশিংদা তশেং–তশেংনা থোক–খ্রবা ত্রিপুরাগী পুৱারী কাউফম থোক্তেঃ । আই এল পি এস চৎনহন্নবা লমদম অসিদা মীতোপ মীয়ানচাশিংবু লৈহল্লোইসি হায়বা নত্তে, আই এল পি এস চৎনহনবা হায়বসিনা লমদম অসিদা মীতোপ মীয়ানচাশিংবু মীতোপ মীয়ানচা ওইনা অদুমক লৈহনসি হায়বনি। মসি ইশাগী ইংখোলদা ইশানা শম্বল থাজগে হায়বনি। ইশানা ইশাগী ইপোৎ–ইরল ঙাকচগে শেন্নজগে হায়বদা অয়াবা পীবিদবা অসিবু করম্বা মখলগী চৎন–কাংলোন্নো হায়না পল্লি।

# থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগীদি ক্লবশিংগী খুত্থাংদা কার্দ য়েন্থোকপা হৌখ্রে ঃ তকদো

এস এন এস

ইম্ফাল, মে ৩০ ঃ লৈবাক্কী মফম অতৈদা চৎনবগুম মণিপুরদসু চৎনবা হৌখ্রবা নেসনেল ফুদ সেক্যুরিতি এক্তকী প্রাইওরিতি হাউসহোল্দ কার্দশিং থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী ওইনদি এম এল এগী লমজিং মখাদা লোকেল ক্লবশিংগী খুত্থাংদা য়েন্থোকপা হৌখ্রে, খরনা হয়েংমক হৌরগনি হায়না তকদোগী সেক্রেটরি কে দালিনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা মহাক্না হায়, নেসনেল ফুদ সেক্যুরিতি এক্তকী মখাদা কেন্দ্র অসিদা লৈরিবা এক্ত অসিগী খুদোংচাবা ফংগদবা মীওইশিংগী প্রাইওরিতি হাউসহোল্দ কার্দশিং অদু মপুং ফানা ফংহন্দুনা মীয়ামদা স্কিম অসিগী খুদোংচাবা ফং–হনবা য়ানবগীদমক থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

কেন্দ্র–কেন্দ্রগী ওইনা এম এল এশিংগী খুত্থাংদা কার্দ য়েন্থোকপা মতমদা ইরাং থোকপগী পাউ তান্নরে অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক–হন্দনবা ক্লবকী খুত্থাংদা মনাক নকপা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী কার্দশিং অদু য়েন্থোকপনি।

কনাগুম্বনা কার্দ ফংহৌদবা নত্ত্রগা শাহৌদবা লৈরবদি তকদোগী খুত্থাংদা পাউ পীবিয়ু। এম এল এগা লোয়ননা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাঙদুনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা লৈহন্দনবা হোৎনগনি হায়খি।

কার্দ য়েন্থোক্কদবা মফমশিং অদুদি পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৯/১ অমসুং ৯/২গী ওইনা থাংমৈবন্দ য়ুঠ সোসিয়েল রিফোর্ম দিবলপমেন্ট কম্মিতিদা, পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৯/৩, ৯/৪, ৯/৫গী ওইনা তরুং য়ুঠ ক্লব, থারোন য়ুঠ ক্লব, নমথানলোং য়ুঠ ক্লবতা য়েনগনি।

পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৯/৬, ৯/৭, ৯/৮গী ওইনা থাংমৈবন্দ ইমপ্রুভমেন্ট ক্লব, পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৯/৯, ৯/১০গী ওইনা মোদেল ক্লবতা য়েনগনি। পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৯/১১, ৯/১২, ৯/১৭কী ওইনা থাউ থাংমৈবন্দা, পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৯/১৩, ৯/১৪গী ওইনা নিয়োক ক্লবতা, পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৯/১৫, ৯/১৬ কী ওইনা ইমা পান্থোইবী ৱেলফেয়ার য়ুঠ ক্লব, পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৯/১৮, ৯/২২ গী ওইনা রাইজিং নোলেজ ক্লবতা য়েনগনি।

পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৯/১৯, ৯/২০, ৯/২১গী ওইনা থায়য়ো ক্লব, পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৯/২৮গী ওইনা থাংমৈবন্দ য়ুঠ ক্লব, পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৯/২৩, ৯/২৪গী ওইনা য়ুদো ক্লবতা, পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৯/২৬কীওইনা ফ্লাইয়ো ক্লবতা, পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৯/২৫,৯/২৭কী ওইনা থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ য়ুঠ ক্লবতা য়েনগনি।

পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৯/২৯, ৯/৩০গী ওইনা এল টি ৱাই দি ওদা, পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৯/৩১গী ওইনা এএনৱাইটিএকেতা, পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৯/৩২গী ওইনা ললাম্বুং মখোঙ য়ুঠ ভোলুন্টরি এসোসিয়েসন, পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৯/৩৩গী ওইনা ইচেল ক্লবতা অমসুং পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৯/৩৪গী ওইনা কাঙজাবী লৈরক য়ুঠ ক্লবতা য়েনবা হৌখ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# কংগ্রেস অমসুং বি জে পিনা প্রজাবু কাঙদ্রুম তাহল্লে লৈঙাক্না মহৈরোইশিংবু ক্রিমিনেল ওইনা উরোইদবনি

এস এন এস

ইম্ফাল, মে ৩০ ঃ কংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী পোলিতিক্সতা প্রজাশিং কাঙদ্রুম তাহল্লে। আই এল পি চৎনহন্নবা দাবি তৌদুনা খোঙজং চঙশিল্লিবা মহৈরোইশিংবু ক্রিমিনেল অমগুম উবা জে দি (য়ু)না কন্দেম তৌই হায়না পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট এম তোম্বীনা ফোঙদোকখ্রে।

আই এম সিগী জুন ২দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা ৱার্দ নম্বর ৭তা জে দি (য়ু)গী মীরেপ ওইরিবা আর কে ইবুংঙোসনাগী য়ুমদা পাঙথোকপা ফিরাল চিংখৎপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা তোম্বীনা হায়, মণিপুরদা লৈরক্লিবা য়েলহৌমীশিং কন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা পোলিতিকেল পার্টিশিংনা থা ৯ চুপ্পা খন্ন নৈন্নদুনা অখঙ অহৈশিংগী মত লৌরবা মতমদু বিল অহুম অদু শেম্বগা লোয়ননা হাউসতা পাস তৌখিবনি।

অদুম ওইনমক বিল অহুম অদু প্রসিদেন্টকী তেবলদা তাদুনা লৈরি। মসিবু এক্ট ওলহল্লু, আই এল পি চৎনহল্লু হায়না খোঙজং চঙশিল্লিবা মহৈরোইশিং ফাজিনবা অমসুং ঈশিং কাপশিনবা তৌবা অসি য়ানিংদে।

সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পি, মণিপুরগী বি জে পি অমসুং কংগ্রেস গভর্নমেন্টনা পোলিতিক্স শান্নদুনা প্রজাশিং কাঙদ্রুম তাহনবা অসি কন্দেম তৌই। মহৈরোইশিংবু ক্রিমিনেল অমগুম্না গভর্নমেন্টনা য়েংবিবা অসি য়াবা ঙল্লোই হায়খি। ঙসিগী সমাজ লাংলিবা অসি গভর্নমেন্ট অসিনা থোকহনবনি হায়খি।

লমদম অসিদা সাসন তৌরিবা কংগ্রেস গভর্নমেন্ট অসিনা প্রজাশিংগী ইহুল খঙনা থবক তৌদে। অমরোমদা বি জে পিনসু মণিপুর গভর্নমেন্ট অসি ইন্থুরগা পী আর থম্নবা হোৎনরি। মখোয়না পী আর থম্লগা হৌজিক চত্থরিবা নাগা পিছ একোর্দকী ৱাফম অসি থবক ওইনা ওন্থোক্নবা হোৎনরকপা য়াই। অদুবু বি জে পিনা লমদম অসিদা পী আর থম্নবা হোৎনরক্লবদি মশাগী ময়ুম মৈ থাজবগুম থোক্কনি হায়খি।

কংগ্রেস গভর্নমেন্ট অসিনা মীশিদ্রিবমখৈ দাবি অমত্তা নাকোংদা হাপ্তবগী চৎনবি অসি থাদোকপনা চুমগনি হায়খি। লমদম অসিদা কংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী গভর্নমেন্ট লৈহন্দনবা হোৎনবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়খি।

মীখল অসিগা মরী লৈননা মহাক্না হায়, মীখল অসিদা পার্টিগী মীরেপ ওইজগে হায়দুনা মীওই ১৮ লাকখি। অদুবু মখোয়শিং অদুগী মনুংদা মী ওইনা য়েংবদা মতিক চাবা অসি ইবুঙোসননি হায়না লৌরগা মহাক্না লোয়ননা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অনি অমগা পার্টি অসিনা থাগৎলি।

ৱার্দ অসিদা মীখল থেংনরিবা মীরেপ অয়াম্বা শেল পায়বা, শঙ্গ চাউবা ঙাক্তনি। ইম্ফাল সহর অসি নোং খজিক্তুং চুবদা শুমাঙ ঈশিং থুমদবা মফম লৈরক্ত্রবনি। অচুম্বা মায়ওন অমদা সমাজ অসি পুরকসি হায়রবদি শেল লৌরগা ভোট থাদবগী হৈনবী থাদোকপা তাই। মসিনা মীরেপশিং অদুনা মায় পাকখ্রবা মতুংদা প্রজাশিংগী হক অদু মৎখিবনা লৈবাক কাঙ খোঙ চাইনবগী মচাক ওইরক্কনি হায়খি।

মীয়াম্না শেলগী য়েংদনা মতিক চাবা মীয়ামগী থবক তৌরক্কদবা মীওই খনবীদুনা অফবা সমাজ অমা শেম্নবা খোঙ থাংজিনবা হৌরসি। হৌজিক কংগ্রেস অমসুং বি জে পিনা মীয়ামদা পীরিবা খুদোল অসি পেন্নদ্রে। মরম অসিনা মীয়াম্না ভাব তাবা মতম ওইরে হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা পার্টিগী সেনিয়ার ভাইস প্রসিদেন্ট দিমজালেট হাউকিপ, পার্টিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম এল জাববার, জেনরেল সেক্রেটরী ওগর্নাইজেসন এন ব্রোজেন য়াওনা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

লমায় ১ গী মখা

## জুন ১দগী ৩ ফাওবা মণিপুর ১দি...

য়ারোই অদুগী মতুং ইন্না জুন ১দগী ২ ফাওবা গ্রেট্টর ইম্ফালগী মফমশিংদা নন মণিপুরিশিং মপাল থোকপিগনু। করিগুম্বা থোক্লবদি অফ ফত্তগী দায়ত্য মশা মশানা পুজগদবনি হায়খি। অথিংবশিং অসিদা অনা অয়েক, মৈ–ঈশিং, লাইনিং–লাইশোন, মেদিকেলগা মরি লৈননবশিং অমদি মেদিয়াশিং মীয়াম্না কোমথোকপিয়ু হায়নসু অপিল তৌখি।

## নোংমৈ কাপ্পখ্রে

হায়না খঙনবা খুলদা লালহৌবশিংগা ইন্দিয়ান অর্মিগী কাঙবুগা খুৎ থোক্লখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুদা মীশি–মীনা অশোক–অপন য়াওবগী পাউ প্রেসনা ফঙবা ঙমদ্রি।

লমায় ১ গী মখা

## ঙসিদগী মৈরা পায়বী লুপশিংসু খোঙজং য়াওশিল্লগনি...

মীতোপশিং লেপ্তুনা পুশিল্লকপদা গভর্নমেন্টনা করিসু হায়দনা লৈরি। মীয়াম্না চংশিল্লিবা খোঙজং অসি মখোয়বু লৈহল্লোইসি হায়বা নত্তে। তৌবতবু পার্মিট অমা পীরগনা নিয়ম চুম্না লৈহন্নবগী থবক পায়খৎসি হায়বনি।

খোঙথাং অসি লৌখৎহৌদ্রবদি ইরমদম অসিদা ঐখোয় মীতোপ ওইরক্লোই হায়নিঙাই লৈতে।

এমকিলগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ সখি লৈমনা হায়, লমদম অসিদা আই এল পি চৎনহন্নবা ইহৌ চংশিল্লিবা মহৈরোইশিংবু গভর্নমেন্টনা তাথি তাওইনা তৌবা , মীনুংশি য়াওদনা ওৎ নৈবা, ফাবা পুনবা তৌবা অসি লুপশিংনা কন্দেম তৌই।

মণিপুরদা মিলিটরি জুনতাগী মওংদা চত্থরকপা অসি খুদক্তা লেপকদবনি। অসিগুম্বা থৌওং অসিদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা এম এল এ ৬০গী মথক্তা মীয়াম্না পেন্নদ্রে। পীক্লিবা অঙাংশিংদা পুলিসনা তাথি তাওইনা তৌবা ফাবা পুনবা তৌবা অসিদা মমা ওইবি পুম্নমক খাঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল লানখ্রে। গভর্নমেন্টনা তৌগদবা থবকশিং তৌদনা লৈরি। চীফ মিনিষ্টরনা প্রাইম মিনিষ্টর উন্নগনি হায়শিন্নরগা ঙসি ফাওবা চত্তনা লৈরি। মখোয়না প্রজাশিংবু অপঙবা শিবগী থৌওং চত্থরিবা অসি য়াবা ঙল্লোই হায়খি।

কিলগী প্রসিদেন্ট আর কে সনাহনবীনা হায়, খোঙজং চংশিল্লিবা মহৈরোইশিং অসিবু তাথি তাওইনা তৌবা অসি য়ানিংদে। গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী বিল অহুম অদু প্রসিদেন্টকী এসেন্ট লৌনবা হোৎনদবা অসি য়ানিংদে হায়খি। ফিভম অসিদা বি জে পিগী সেন্ত্রেল গভর্নমেন্ট অমসুং মণিপুর বি জে পিনা ইশু অসিদা নাথৈবা য়ারোই। লোয়ননা পোলিতিকেল পার্টি অমত্তনা ইশু অসিদগী নাম্থোক্তুনা চৎপা য়ারোই হায়খি।

দব্লিউ দব্লিউ ও কেগী প্রসিদেন্ট কেএসঐচ বালা দেবীনা হায়, খুৎলায় পায়দবা মহৈরোইশিংদা খুৎ থাবা পুলিসকী কা হেনবা থৌওং অদু য়ানিংদে। গভর্নমেন্টনা প্রজাশিংবু কবোক পীজদুনা থম্বগী থৌওং চত্থবা অসি য়ানিংদে হায়খি।

নোংপোক লৈঙাক নুপী লুপকী প্রসিদেন্ট ৱাই মেম্মানা হায়, লমদম অসিদা ভারা শানলিবা মীওইশিংনা মখোয়গী য়ুমদা ভারাদা লৈরিবা মীওইশিং থম্বীগনু। পাস তৌখিবা বিল অহুম অসি এক্ট ওলহন্নবগীদমক দিল্লিদা চত্তুনা তকশিনগদবনি।

করিগুম্বা জুন ১ ফাওবগী মনুংদা চত্তবগী মরম করিগুম্বা শেঙদোক্তবা তারবদি ইমা লুপশিংনা পোলিতিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিং, এম এল এশিং য়াওনা পোলিতিকেল পার্টিশিংগী ওফিসশিংদা অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়খি।

## ইম্ফাল মনুংদা মহৈরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা খোঙজং ..

মহৈরোই ৬ অশোক অপন থোকখি।

অয়ুক পুং ১১দগী ১ ফাওবগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা স্কুলগী মহৈরোইশিংনা তাংকক অনিদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্দা মখোয়বু ফাবীয়ু হায়না চংশিল্লকপদা পুলিস ষ্টেসন য়ৌদনা মোইরাংখোম ওইল পম্প ময়াদগী মহৈরোই ৮ ফাখি।

অদুগা কৈশাম্পাৎ জঙ্কসন লোমদগী ইম্ফাল পি এস তম্না থোমজিনবা হোৎনবদা পুলিসনা কৈশাম্পাৎ থোং থৎখি। পুলিসকী থৌওং অদুবু য়ানিংদাবা ফোংদোক্তুনা মহৈরোশিং অদুনা লম্বী ময়াইদা ফমজিন্দুনা খোংজঙ চংশিনবদা ফাজিনখি।

টিদিম লম্বীগী হোদাম লৈরক, তখেল লৈকায় অমদি ক্বাকৈথেল মহৈরোইশিংনা অকনবা মওংদা খোংজঙ চংশিন্দুনা লম্বীদা ফমজিনবা অমদি হিপচিন্দুনা লৈখি। খোংজঙ অদুনা মরম ওইদুনা টিদিম লম্বীদা অচৎ অওকশিং পুং খরা থিংখি।

মহৈরোইশিংগী লম্বী থিংবগী খোংজঙ অদু হন্দোক্নবা মিনিট ৩গী মতম পিদুনা লাউদ স্পিকর শিজিন্নদুনা খংহনখি । অদুবু মহৈরোইশিংনা মখাতানা হেন্না কনবা খোংজঙ চংশিল্লপদগী টিয়ার গ্যাস অমদি স্মোক বোম কাপ্তুনা তানখায়বদা মহৈরোই কয়া অশোক অপন থোকখ্রে।

পুলিসনা চত্থখিবা কাহেনবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা টিদিম লম্বীগী নাক য়েৎতা লৈরিবা মীয়াম থোক্লক্তুনা খোংজঙ চংশিনবা য়াওশিল্লকখি। মদুদা মীয়মগী কাইকৈদগী পুলিস তম্না নুং অমদি নাওরিনা লান্দারকখি। পুলিসনসু মশিং য়াম্নবা টিয়ার গ্যাস কাপ্পদগী মতম খরা ক্বাকৈথেলগী অকোয়বা মফমশিং লানবুং ওনখি। মমৈদা নুমিদাংৱাইরম পুলিসনা মীয়াম অদুবু লাকশিনখি হায়রি।

অতৈ মফম চিংমৈরোং, মন্ত্রিপুখ্রি, নাওরেমথোং, উরিপোক, তেরা লম্বী, থাংমৈবন্দ , ৱাংখৈ, কোংবা লম্বী, কোনুং মমাং, সোইবম লৈকায় য়াওনা মফম কয়াদা খোংজঙলোইশিংনা মণিপুরদা আই এল পি চৎনহল্লু হায়দুনা অচৎ অওকশিং থিংদুনা স্লোগান কয়া লাওখি।

খুরাই লম্বীদা লৈবা প্রাইম রোস ইংলিস স্কুল, সক্সেস স্কুল অমদি কে টি এস স্কুল অহুমগী মহৈরোইশিংনা খাবৈসোই লম্পাক্তা পুল্লগা ৱংখৈ কেন্দ্রগী এম এল এ ইরাবোটকী খুরাই অহোংগৈদা থোমজিনবা লাকখি। মহৈরোইশিং অদু পুলিসনা খুরাই লাইনিংথৌ অৱাংবা মপাদা থৎলগা লম্লোং থোংফাওবা তকথোকখি। চতুংদা মফম অদুগী মৈরা পায়বীশিং থোক্লক্তুনা লম্লোং বজারদা লম্বী থিংবগী থবক চত্থখি।

থৌবাল অমদি বিশেনপুর দিষ্ট্রিক্তসু মহৈরোইশিং খোংজঙ কয়াদা চংশিনবদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস কাপ্তুনা তানখায়বদা অশোক অপন কয়া থোকখ্রে হায়রি।